# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses


থবক থিরিবা নহারোলশিংদা খূদোংচাবা পীবা ওইনা অকাম্পাৎতা লৈবা নৈলিটকী কেম্পসতা পাঙথোকপা জোব ফেয়রগী শক্তম অমা


লামায় ৪

হৈঙাং অৱাং লৈকায়গী সায়া ক্লব মনাক্তা সনাজাওবা টেক্সটাইলস হায়না মিংথোনবা ৱিভিং য়ুনিট অমা হাংদোকপা থৌরমগী শক্তম অমা


লামায় ৪

মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদ্দি লেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট ২০১৪ মপুং ফানা চৎনহন্নবা মণিপুরগী লৌফমশিংগী দেটা বেঙ্ক য়াওবা ৱেব-সাইট হাংদোকপা


লামায় ৩

থৌবাল কৈথেলদা মৈ ফংহল্লু, অমোৎ অকায়শিং শেংদোকউ হায়বনচিংবা দিমান্দ তৌরদুনা কৈথেল ফম্বী নুপীশিংনা দি সী ওফিসতা থোমজিল্লকপা


লামায় ৩


Vol. 42, Issue No.146 | নোংমাইজিং, থৱান ৯নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Sunday, August 19, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৫.৫১

দীজল : লিটরদা লুপা ৬৭.০০

## মাহুদ মিনিষ্টরগী থৌওং কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): ক্লাসিক গ্রান্দে চীংমৈরোংদা থা অসিগী ১৪ দা মাহুদ মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা হোটেলগী পোৎলমশিং থুগায়রম্বা অমদি ষ্টাফতা কিহল্লম্বা থৌওং অদু ক্লাসিক গ্রুপ ওফ হোটেলসকী মেনেজমেন্ট অমদি ষ্টাফনা কন্দেম তৌই হায়না ক্লাসিক গ্রুপ ওফ হোটেলগী জেনরেল মেনেজর এস সচিদানন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু। খুন্নাই অসিগী চাউখৎ থৌরাংদা অফবা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনবদা ক্লাসিক গ্রুপ ওফ হোটেলনা থৌদাং কয়া লৌরিবনি। ষ্টেট অসিদা থুংলবা লৈঙাক্কী ওফিসল, কম্পেনিশিংগী মীওই-শিং, টুরিষ্টশিংদা হোস্পিটেলিটি সর্ভিস পীদুনা লাক্লিবনি। ঐখোয়বু মতিক ময়াই হন্থহন্দনা লাক্লিবা খূদিংমক্কী থৌগল তৌহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ৩৩.৬০ °C | ২৩.৫৮ °C |
| চান্দেল | ৩৮.১৬ °C | ২০.৭০ °C |
| সীসীপুর | ৩২.৯৭ °C | ২১.১১ °C |
| ইম্ফাল | ৩৬.৭০ °C | ২২.৬৬ °C |
| সেনাপতি | ২২.৬৩ °C | ২২.০৫ °C |
| তমেংলোং | ৩৯.৯২ °C | ২২.০০ °C |
| থৌবাল | ৩৪.৮৩ °C | ২১.৫২ °C |
| উখ্রুল | ২৮.৪১ °C | ১৬.২৪ °C |
| মণিপুর | ৩৯.৯২ °C | ১৬.২৪ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৫৪ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫০

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৬

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 79.832159 |
| US Dollar | 69.808307 |
| British Pound | 89.029579 |
| Australian Dollar | 51.072352 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.151145 |
| Japanese Yen | 0.631721 |
| Malaysian Ringgit | 17.015349 |
| Norwegian Krone | 8.258305 |
| Singapore Dollar | 50.909737 |
| South Korean Won | 0.062357 |
| Swedish Krona | 7.623921 |
| Turkish Lira | 11.607721 |
| Myanmar Kyat | 0.04688 |
| Bangladesh Taka | 0.82688 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 30160.43 |
| Mumbai | – | Rs 30877.01 |
| Delhi | – | Rs 30802.14 |
| Kolkata | – | Rs 30866.31 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## HL POLL

Q : IM gi waroishin purakpada sixth schedule pinaba leingakna warep louraklagadi eikhoi yafam thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐


Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipur da potcheisinggi mamal wangkhatlakliba asi leingakna mityeng changba watpadagira?

Yes 87% No 13%

## অস! লোইরেহে!




## ‘লৈবাক কায়রবা মতমদা ফম থাদোকপগী ৱাহন্থোক লৈরোই’

# শাথীবা মীশি-মীনা থোরক্কনি হায়না য়ু সী এমনা ৱার্নিং তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরক্লবদি অমুক্তা লৌখিদ্রিবা ৱারেপ লৌরক্কনি, কুমজা ২০০১ দগী হেন্না শাথীবা মীশি-মীনা থোরক্কনি হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না মরী লৈনবা খূদিংমক্তা ৱার্নিং তৌখ্রে।

য়ু সী এমগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা মণিপুরদা শোকপা ৱাফম য়াওরোই হায়রম্বা লৈখি। হৌজিক পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী রিপোর্ট পীখৎলকপা মতমদদি চিংনিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া থোরক্লি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ঐখোয়না চেকশিন্না য়েংবা চঙই। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী শক্তম কন্নবা ফিরেপ লৌনবা লৈঙাক্তা য়ু সী এমনা তকশিল্লকখি। লৈঙাক্লা থা অসিগী ১০ দা এসেমব্লি মতম লেপ্পল্লগা ওগষ্ট ১৬ তা অমুক য়ৈথোকখি। ওগষ্ট ১৬ তসু অমুক তৌররোই হায়না লাউথোকখ্রে। এসেমব্লিবু তয়াং-তয়াংবা মওংদা মতম লেপ্পগা য়ৈথোক-য়ৈশিন তৌবা অসি কন্দেম তৌই। লুরবা তানফম অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্লা চপ চানা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি।




পিছ টোককী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা নাগালেন্দদা থবক কয়া পায়খৎচবদা করিসু অকায়বা লৈতে। অদুবু, মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি শক্তমদা শোক্লকপা য়াবা থবকশিং পায়খৎপা য়ারোই। লৈঙাক পায়রিবশিংনা লৈবাক কায়রবা মতমদা ফম থাদোকপগী ৱাহন্থোক লৈরোই। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা পুথোরক্ত্রিঙৈদা এম এল এশিংনা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং অদু লৌফম থোকই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরক্লবদি অমুক্তা লৌখিদ্রিবা ৱারেপ লৌরক্কনি। খায়দোক-খায়জিনগী থৌশিল লেপকদবনি।

মণিপুরগী পুৱারী অমদি লমদম অসি করম্না লৈরম্বগে হায়বসি নীংশিংবা চুমগনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু অমগা-অমগা হুন্নবগী মহুৎতা অমত্তা ওইনা কোক চুংশিন্নদুনা মণিপুর কন্নবা হোৎনবীয়ু। মণিপুরগী শক্তম অমদি ঙমখৈদা শীংনরকপা তারবদি কুমজা ২০০১ দগী হেন্না শাথীবা মীশি-মীনাগী থৌদোকশিং থোরক্কনি। মণিপুর লৈঙাক্লা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মাংজৌননা নীংথিনা খঙহনফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

সুনিল করামনা মখা তারদুনা হায়খি, থা অসিগী ১৪গী অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা য়ু সী এমগী থৌপুবশিংনা থবক চথো-ক্লখ্রিঙৈ তাল্লক্তা ...মখা লামায় ৩ কলম২

# অপূনবগী শক্তম ঐখোয়না কন্দ্রগদি তুংগী মীরোলনা তিল শীৎলক্কনি : কে রঞ্জিৎ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপূশিংগী ঈখেংতনা ঙাক্লম্বা ঙমখৈ, অপূনবগী শক্তম ঙসিগী মীরোলনা কন্দ্রগদি তুংগী মীরোলনা মঙফমদা তিল শীৎলক্কনি হায়না সুগ্নু এ সীগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ওল ৱাঙু ক্লব/মৈরা পায়বী কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি ৱাঙু লাইফম মখা লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মায়োক্তা চথখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়ারদুনা কে রঞ্জিৎনা হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা খন্ননবা লৈঙাক্লা এসেমব্লি সেসন কৌননবা ৱারেপ হঞ্জিন-হঞ্জিন লৌরগা য়ৈথোক-খিবদু বি জে পি লৈঙাক্কী এচিভমেন্টনি হায়না লৌগদৌরিব্রা?

মহাক্লা হায়খি, বি জে পিনা মণিপুরগী খল্লল্লবদি জুন ১৮সু থোল্লক্লোই। সেন্টরদা বি জে পিনা পানবা মতমদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা লাক্লম্বা মতমদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা মণিপুর কায়বগী ৱাফম য়াওদে হায়না ফোঙদোক্লম্বা লৈখি। অদুবু, পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী রিপোর্ট লানখৎলকপা মতমদদি মণিপুরগী শক্তমদা শোকপা য়াবা ৱাফম য়াওরকপা য়াবগী অকিবা লাক্লি। কুমজা ২০১৫ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা খঙহন্দনা লৈরকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা



কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোল খঙহনবীয়ু হায়না তকশিনখিবা লৈখি। অদুবু, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱাফমশিং অসি খঙহন্দনা লৈরকখিবনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি শক্তম শোকহনবা য়ারোই।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ওগষ্ট ১০ দা এসেমব্লি মীফম মতম লেপখি। খরা লৈরগা অমুক থা অসিগী ১৬ তা য়ৈথোক্লে হায়না হায়রকখি। লাইশঙগুল্লবা এসেমব্লিদা অসিগুম্বা মতম লেপ্পগা হোংদোক-হোংজিন তৌবা অসি লাইবক থীবনি। কোংগ্রেসনা চহী ১৫ লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা এসেমব্লি মীফম কৌরগা য়ৈথোকপগী ৱাফম অমফাওবা লৈখিদে। এসেমব্লি কৌবা হায়বসি লৈঙাক্লা কুপ্পা খন্নরগা এসেমব্লিগী স্পিকর অমদি মরী লৈনবা ষ্টাফশিং পাউ ফাওনরগা কৌগদবনি। তরাই তরাইনা হেক্তা কৌবা য়াবা নত্তে। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা এসেমব্লি মতম লেপ্পগা য়ৈথোক্লে হায়না তরাই-তরাইনা হেক্তা লাউথোকপগী থৌওং চথরি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা এসেমব্লি মীফম কৌরগা য়ৈথোক্লিবসি মখোয়গী এচিভমেন্ট ওইগদৌরিব্রা। কোংগ্রেস লৈঙাক্লা চহী ১৫ দা তৌবা ঙল্লমদবা বি জে পিনা থা ১৫ দা তৌগনি হায়বসিদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিসু ওইগদৌরিব্রা।

ষ্টেট অসিদা পানখিবা চীফ মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা হৌজিক লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর অসিমুক শোনবা সী এম উখিদ্রি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মণিপুর কনবা ঙমগনি থাজদে। মণিপুর শাংলবা পুৱারী কয়া লৈজবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে : কে ৱাই কে এল



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ : কংলৈ য়াওল কন্না লূপ (কে ৱাই কে এল) কী ২৫ শুবা অথৌবীশিংগী নীংশিং নুমীৎ থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী পব্লিসিটি এন্দ রিছার্সকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি থোইবা মঙাংনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোনা য়াদে হায়না লাউথোকখ্রবা লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ থৌরম অসি লূপ অসিগী ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থর্দ বট্টালিয়নশিংদা মপুং ফানা পাঙথোকখি। থৌরম অসি লূপ অসিগী য়ুনিটশিং, টেক্নিকেল য়ুনিটশিং অমদি কংলৈপাক্কী মফম খূদিংমক্তা লৈরিবা য়ুনিটশিংদা মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে। অথৌবগী নীংশিং নুমীৎ অসিগী মপুং ওইবা থৌরমদি লূপ অসিগী ফর্ষ্ট বট্টালিয়নদা পাঙথোকখিবা থৌরমনা ওইখি। থৌরম অসিদা লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি কে কোরৌনা অথোইবা মীথুংলেন, ভাইস চেয়রমেন তোইজম ইবোচৌনা থৌরম মপু, মীয়ামগী য়াওল লান্মী (এম ৱাই এল)গী এক্টিং সী-ইন-সী, কে ঐচ নিমাই অমদি কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ১৩১ বট্টালিয়নগী সী ও কমরেদ পুন্সিবনা ঈকায় খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইদুনা শরুক য়াখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অথোইবা মীথুংলেনশিং মৈরা চুখৎতুনা, থৌরম মপুনা লূপ অসিগী ফিরাল তংখায় চিংথদুনা অমদি য়াওল পাথৌশিংনা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা মীনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়নননা থৌরম অদু হৌদোকখি।

লৈখিদ্রবা অথৌবশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা থৌরম অসিদা য়াওল্লুপ অসিগী এক্টিং সী-ইন-সীনা পীবা ৱারোলদা, অথৌবশিংদা লৈখিবা কথোকপা ঙম্বগী থৌনা অদু ঙসিগী য়াওল্লোয়শিংনা খুদুং ইন্দুনা মাংলোমদা করম্না চঙশিনমিন্নগদগে হায়বা ৱারোল পীখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ইরৈবাক্কী নিংতম্বা অমদি ৱেসিয়াগী য়াওল অসি মায় পাকপা পুরক্লব-গীদমক ঐখোয়না হনবা লৈতনা অপূনবা য়াওল লান্থেং অমা য়েক্লবদা চঙজদবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা মাঙদা থল্লগা কথোকপগা লোয়নননা লান্থেংমিন্নবা চঙই হায়না ফোঙদোকখি।

কে ৱাই কে এলগী ভাইস চেয়রমেননা পীখিবা থৌরম মপুগী ৱারোলদা, ঐখোয়গী অহানবা খোঙথাংদি ...মখা লামায় ৩ কলম১

## আর্মিগী পোষ্টতা লান্দা চথখ্রে : কোরকোম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ : চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিংহাট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থৈগোতাংদা লৈবা ৬শুবা সিখ লাইট ইনফেন্ট্রিগী পোষ্টতা হৌখিবা ওগষ্ট ১৫গী অয়ুক পুং ৫.২০ লোম তাবদা লান্দাদুনা অমাঙ-অতা চাওনা থোকহনখিবা অদু মণিপুরগী য়াওল্লূপশিংগী কো-ওর্দিনেসন কম্মিটি (কোরকোম)গী খূৎলায় পায়বগী লান্মী শঙলূপ (জে এম সী)গী মখাদা জে এফ এফকী “ওপরেসন লংদাই”গী শরুক অমা ওইনা চথখিবনি হায়না কোরকোমগী পব্লিসিটি কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ক্লেম তৌরক্লি।

কোরকোমগী পব্লিসিটি কম্মিটিগী চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, কোরকোমগী খূৎলায় পায়বগী লান্মী শঙলূপ জে এম সীগী মখাদা জে এফ এফকী ওপরেসন লংদাইগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়াগী নিংতম নুমিৎ কংলৈচাশিংনা য়াওফম থোক্তে অমদি মসিগী মায়োক্তা কোরকোমনা লেপ্লি হায়না অখন্ননা পাঙথোকখিবনি। ইমা লৈবাক মণিপুরগী মাঙখিবা নিংতম্ববু অমুক হন্না হঞ্জিনহন্দুনা লমদমসিদা নিংতম্বা, মান্নবা খুন্নাই অমা লিংনবগী ৱাখল্লোনদা লিশাং শীৎনা ইন্দিয়ন আর্মিশিংগী মথক্তা লান্দাবগী শরুক অমা ওইনা হায়রিবা লান্দা অদু চথখিবনি।

জে এফ এফকী হৈ-শিংলবা থৌনা ফবা লান্মীশিংনা রোকেট লোঞ্চর অমদি গ্রেনেদ লোঞ্চরনচিংবা অফবা মখলগী খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা পোষ্ট অদুগী য়াম্না নকপা মফমদগী লান্দাবগী থবক চথখিবা অদুদা আর্মি পোষ্ট অদুগী বঙ্কর ২ অমদি বেরেক অনী মৈনা তুম্না চাকখিবগা লোয়নননা চাওনা অমাঙ-অতা থোকহনবা ঙমখি। লান্দাবা অদুদা য়াওরুবা জে এফ এফকী থৌনা ফরবা লান্মীশিং লানশঙদা অশোয়-অঙাম য়াওদনা থুংলখিবগা লোয়নননা জে এফ এফতা অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা হরাও-তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মালেমদা থোকখিবা নিংতম লান্থেংগী পুৱারীদদি নমদুনা মুনবীখ্রবা নমথবীরবা লৈবাক অমগী মাঙখিবা নিংতম্বা হঞ্জিনবগী য়াওল লান্থেং অসিদদি লৈবাক মীয়ামগী ওইবা অসুপ্পা চুংশিন্নবা য়াওল লান্থেং অমা শাগৎপা হায়বসি তঙাইফদবা য়াও-ল্লূপশিংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## সর্ভিস এক্সটেন্সন তৌবগী কলচর য়োকখৎপীদনবা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): কোংগ্রেস লৈঙাক লোইখ্রবা তুংদা বি জে পিগী লৈঙাক্লা সর্ভিস এক্সটেন্সন তৌবগী কলচর মখা শমথদনবা ৱারেপ লৌখ্রবা তুংদা দিপার্টমেন্ট খরদা মরম চাদনা লোন্না থুপ্না সর্ভিস এক্সটেন্সন তৌননবা হোৎনরে হায়না লৌমী খরনা পাউচে অসিদা ৱাকৎলক্লি।

ষ্টেটকী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা মকোক থোংবা ওফিসরসু নৎতবা, থৌদাং লৌবা য়াবা মীওইসু ওইদবা ইন-চার্জ ওইনা পুবা মীওই কয়া মখোয়-মখোয়গী সর্ভিসকী মতম লোইরমদায়দা এক্সটেন্সন তৌননবা হোৎনরিবা অসি লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টতা য়েংলগা অয়াবা পীবীদনবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অসি লৌমীশিংগী ওইদ্রে, অঙম-অথৌশিংগী শেন্দানফম ওইরে হায়না মরাল শীরদুনা লৌমীশিং অসিনা মখা তানা হায়, পাৱর টিল্লর অমদি ট্রেক্টর পীবীদ্রে হায়দুনা লৌমী ১০ না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা হন্দক্তা রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌখিবা লৈখ্রবনি। রিট পিটিসন অদুদা ট্রেক্টর, পাৱর টিল্লর পীননবগী বেনিফিস-রিশিং খনবদা শেল লৌরে হায়নসু মরাল শীরকপা ৱাফম য়াওরি।

অসুম্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা থাদরকপা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## ভি সীগী মথক্তা থিগৎনবা মীওই অনীনা শাবা কম্মিটি শেমখ্রে

**খোঙজং হন্দোকখিরোই, মখা তানা চঙশিনখিগনি : এম য়ু কম্যুনিটি**

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এ পি পান্দেগী মথক্তা থিগৎনবা মীওই অনীনা শাবা ইনক্বারি কম্মিটি শেমখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসনগী অন্দর সেক্রেটরি বিজয়কুমারনা থোকখিবা য়াথংচে অমগী মতুংইন্না হায় কোর্ট ওফ মেঘলায়াগী এক্তিং চীফ জষ্টিস ওইরম্বা পি নন্দকুমারনা ইনক্বারি কম্মিটিগী চেয়রমেন ওইরগনি। তেজপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর ওইরম্বা প্রোফেসর এম কে চৌধরিনা মেম্বর ওইরগনি হায়রি।

ওর্দর থোকখিবা ওগষ্ট ১৭ তগী পারগা থা অমগী মনুংদা ইনক্বারি কম্মিটিনা রিপোর্ট পীখৎলক্কদবনি হায়না পল্লদুনা য়াথংচে অদুনা হায়, মতাং মতমগী মতুংইন্না মথৌ তারক্লবদি কম্মিটিনা প্রোফেসর পান্দে কৌবা য়াই। ইনক্বারি চথবদা চঙবা তেংবাঙ পুন্নমক এম য়ুনা পীবগা লোয়নননা কম্মিটিগী চেয়রমেন অমদি মেম্বরদা টি এ/দি এ/ওনরেরিয়মচিংবা পীবগী থৌদাংসু য়ুনিভর্সিটিনা লৌগনি।

ইনক্বারি কম্মিটিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনিভর্সিটি অমদি মসিগী তোঙান তোঙানবা ওফিসশিংদা চৎতুনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং য়েংশিনবগা লোয়নননা ষ্টেকহোল্ডর-শিংগী ৱা তাগনি অমসুং মথৌ তাবা চে-চাং পুন্নমক য়েংশিনগনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিটিগী মুসু, মুটা অমদি মুসাগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## জে সী আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৱিংনা এন আই টি লাঙ্গোলগী এ-ব্লোক ছো লোনশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): লাঙ্গোলদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি)গী ফেকলটি ২২ লৌনবগী ইন্টরবিয়ু কোলকটাদা লৈবা হোটেল অমদা পাঙথোক্কনি হায়রিবা অদু পাঙথোকপা য়ারোই হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ঙসি নুংথিল জে সী আই এল পি এসকী ষ্টুদেন্টস ৱিংনা এন আই টি লাঙ্গোলগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক ছো লোনশিন্দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিগা মরী লৈননা জে সী আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৱিংগী কনভিনর মঞ্জিৎ সরাংথেমনা হায়খি, এন আই টিগী প্রোফেসর ৮ অমসুং এসোসিএট প্রোফেসর ১৪ পূন্না ফুল টাইম ফেকলটি ২২ লৌনবগীদমক ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টরগী ময়ূম মনাক্তা লৈবা হোটেল গেটৱে ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট গেট নম্বর-১, ভি




আই পি রোদ এন্দ জেসোর রোদ ক্রোসিং ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোকপা অসি অরোন-অথুপ চথবা য়ানন্নবা পাঙথোকপনি হায়বদু ময়েক শেংলে। নুমিৎ খরনিগী মমাংদা মাংজৌননা ইন্টর্ভিয়ু অসি পাঙথোক্কদৌরিবা মফম হোংদোকপীননবা তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন-শিংনা খঙহনখিবগা লোয়নননা জে সী আই এল পি এসকী ষ্টুদেন্টস ৱিংনসু এন আই টি লাঙ্গোলগী দিরেক্টরদা অইবা চেরোল পীদুনা ফেকলটি লৌবগী ইন্টর্ভিয়ু পাঙথোক্কদৌরিবা মফম অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## এন এস সী এন (কে)গী চেয়রমেন য়ং ওংনা ওইরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ : এন এস সী এন (কে)গী চেয়রমেন খপলাং লৈখিদ্রবা তুংদা চেয়রমেন হাপখিবা ইন্দিয়ন ওরিজিন খাংঙো কোনয়াক মফম লৌথোক্লগা ম্যান্মার ওরিজিন য়ং ওংনা অনৌবা এক্টিং চেয়রমেন ওইনা হাপখ্রে। লালহৌলূপ অসিগী চেরোল অমগী মতুংইন্না হান্নগী চেয়রমেন খাংঙো অসি পার্টি অসিগী লুচিংবশিংগী অয়াবা য়াওদনা থবক কয়ামরুম তৌবগী মরালদা মহাকপু মফম ...মখা লামায় ৩ কলম ১




HL-B/4789/10/8-8/09 (Alt.)



HL-P/5105/17/07-16/08